অসামদা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মীওই পুন্না ৫ শুরে, অপুনবা কেস ২৬৯৩ য়ৌরে

গুৱাহাটি, জুন ০৮ (এজেন্সি):

অসামদা ঙসি কোভিদ-১৯না মীওই অমা শিহনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা শিখিবা মীওই পুন্না ৫ শুরে। নুমিৎ খরনিগী মমাংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবা অরুন কার্কি কৌবা মশাগী চহী ৫৪ শুরবা মীওই অমা শিরে হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। হায়রিবা মীওই অসি হন্দক্তা চেন্নাইদগী হল্লক্লবা মতুংদা হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরকখিবনি।

দিফুদা লৈবা মীওই অসি ঙৱাং নুমিদাং হকচাং ঙম্লক্তবদগী দিফু মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা পুখৎনবা হোৎনরিঙৈদা শিখি। নুমিৎ ১৪ নি ইন্সটিট্যুসনেল ক্বারন্টিন তৌরগা হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা থল্লিঙৈদা হকচাং ঙম্লকখিদবনি।

চৈরকসিদা, কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১২ থেংনখিবগা লোয়ননা অসামদা অপুনবা কেস ২,৬৯৩ য়ৌরে। নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওই ১২গী মনুংদা নগাউনদগী ৭ অমসুং বরপেতাদগী ৫ য়াওরি।

অমরোমদা, মিজোরামগী ওইনসু মীওই ৮ পোজিটিভ ওইখিবগা লোয়ননা ষ্টেটকী অপুনবা কোভিদ-১৯গী কেস ৪২ শুরে।

হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, সেম্পল ২৪৪ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা মীওই ৮ পোজিটিভ ওইরে। জোরাম মেদিকেল কোলেজ (জেদ এম সী)দা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখ্রবা মীওই ৮ গী মনুংদা নুপী ৫ অমসুং নুপা ৩ য়াওরি। মীওই ৫ না চম্পাইদগীনি। খোজোল দিষ্ট্রিক্ততগী মীওই ২ অমসুং সাউথ মিজোরামদগী মীওই ১ য়াওরি। হৌজিক ফাওবা মীওই অমত্তা লাইওং উৎথোরকপা লৈত্রি। ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস ৪২ লৈবগী মনুংদা এক্তিভ কেস ৪১ য়াওরি।

নাগালেন্দদসু মীওই ৫ পোজিটিভ ওইখিবগা লোয়ননা ষ্টেটকী অপুনবা কোভিদ-১৯গী কেস ১২৩ শুরে। হেল্থ মিনিষ্টর এস পি ফোমনা হায়খি, সেম্পল ২২০ টেষ্ট তৌবদা ঙসি পোজিটিভ কেস ৫ থেংনখি। অন্দ্র প্রদেশতসু হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা অনৌবা কেস ১২৫ থেংনদুনা অপুনবা কেস ৩৮৩ শুরে।

ৱাংহৌরিবা সবজেক্তকী বোর্দ এগজাম পাঙথোকখ্রে

শিল্লোং, জুন ০৮ (এজেন্সি):

মেঘালয়দা থা ২ গী মতুংদা হায়র সেকেন্দরি স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট (ঐচ এস এল সী)গী ৱাংহৌরিবা সবজেক্তশিংগী বোর্দ এগজাম পাঙথোকখ্রে।

লৈঙাক্না শেম্বা কাঙলোন নীংথিনা ঙাকহল্লগা ষ্টেটকী তোঙান তোঙানবা মফমদা ঙসি বোর্দ এগজাম পাঙথোকখি। তোঙান-তোঙানবা সেন্টরদা ঙসি ষ্টেটিষ্টিক্কী এগজাম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ফিজিকেল এদ্যুকেসন, ৱেষ্টর্ন ম্যুজিক্কী এগজাম্না হয়েং পাঙথোক্লগনি। মথংগী নুমিত্তা মেথমেটিক্সকী এগজামা পাঙথোক্কদৌরি। মরু ওইবা এগজাম সেন্টর অমা ওইরিবা শিল্লোংদা ঙসি মহৈরোয় পুন্নমক এগজাম থাবা লাকখি।

কম্পিটিটিভ এগজামগী ফল লাউথোক্লে

ইটানগর, জুন ০৮ (এজেন্সি):

অরুনাচল প্রদেশ কম্পিটিটিভ এগজামমদা মায় পাল্লবা মহৈরোয়শিংবু চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। কম্বাইন কম্পিটিটিভ এগজামিনেসনগী ফল ঙৱাং নুমিদাং লাউথোকখি। মেন এগজাম অমসুং পর্সনেলিটি টেষ্টতা শরুক য়াখিবা মীওই ১০২ মায় পাকখি। মায় পাল্লবশিংগী মনুংদা নিতি তাকিনা অপুনবা মার্ক ১১৬১.৫ ফংদুনা মকোক ইথং থংনা লাকখি। কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর ১০ দগী ২০ ফাওবা মেন কম্বাইন কম্পিটিটিভ এগজাম পাঙথোক্লগা পর্সনেলিটি টেষ্টনা জুন ২ দগী ৬ ফাওবা পাঙথোকখিবনি।

কোভিদ-১৯গী মতাংদা মীফম পাঙথোকখ্রে

গেংটোক, জুন ০৮ (এজেন্সি):

সিকিমগী চীফ সেক্রেটরি এস সী গুপ্তনা ষ্টেট টাস্ক ফোর্সকী মীফম কৌদুনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখ্রে। ভিদিও কনফরেন্সতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট কলেক্তরশিং, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমসুং চীফ মেদিকেল ওফিসর পুন্নমক শরুক য়াখি। মীফম অদুনা মপানদগী হল্লকপা মীওই পুন্নমক ক্বারন্টিন তৌদুনা থম্বগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌনবা ৱারেপ লৌখি। ষ্টেট টাস্ক ফোর্সকী মেম্বরশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট কলেক্তরশিং শরুক য়াখিবা মীফম অদুদা চীফ সেক্রেটরিনা মীপুম খুদিংমক কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবগী গাইদলাইন ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

দোক্তর অমা, বি এস এফ জৱান ৬ পোজিটিভ ওইবদগী অখোরা চেক পোষ্ট থিংজিনখ্রে

অগরতালা, জুন ০৮, (এজেন্সি):

অগরতালাগী অখোরাদা লৈবা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট (আই সী পি) দা মথৌ তৌবা মীওই ৯ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী চেক পোষ্ট অদু থিংজিনখ্রে।

হৌখিবা পুং ৪৮ লোম চেক পোষ্ট অদু ফাওরগা পেসেঞ্জর অমদি পোৎচৈ পুবা গাড়িশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবা লেপখ্রে। থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা দোক্তর অমা অগরতালাদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী ভগট সিংহ য়ুব অৱাজ কোভিদক্যের সেন্টরদা থমখ্রে।

মে ২৮ দা দোক্তর অদু অখোরা চেক পোষ্টতা মথৌ তৌখিবনি। নুমিৎ অদুদা বাংলাদেশতগী মীওই কয়া চেক পোষ্ট অদু ফাওরগা ইন্দিয়াদা হল্লকখি। বাংলাদেশকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরুবা মীওই পুন্নমক চেক পোষ্টতা দোক্তর অদুনা অতোপ্পা ওফিসল খরগা লোয়ননা হেল্থ চেকঅপ তৌখি।

দোক্তর অদুগা লোয়ননা বি এস এফকী পর্সনেল ৬ অমদি অতোপ্পা ওফিসল ২ সু পোজিটিভ ওইরে। মথৌ তাবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা ওইনা সেনিটাইজেসন তৌরবা মতুংদা চেক পোষ্ট অদু থোঙ লোনশিনখ্রে।

অমরেমাদা, ত্রিপুরাগী ওইনা ঙৱাং নুমিদাং অনৌবা কেস ৫৩ থেংনখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস ৮০৩ য়ৌরে।

চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা হয়খি মদুদি, সেম্পল ১১৫৩ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা মীওই ৫৩ পোজিটিভ ওইরে। সেপাহিজলাদগী কেস ৪৯ অমসুং গোমতি দিষ্ট্রিক্ততগী মীওই ৪ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। মীওই পুন্নমক চেন্নাইদগী হল্লকখিবা ঙাক্তনি। ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস মশিং ৮০৩ লৈবগী মনুংদা মীওই ১৯২ দিসচার্জ তৌখ্রগা এক্তিভ কেস ৬০৭ লৈহৌরি।

অমরোমদ, লৈঙাক্কী স্কুলদা থবক তৌবা ওজাশিংনা প্রাইভেট টুইসন তৌবা য়ারোই হায়না ত্রিপুরা লৈঙাক্না লাউথোকখ্রে।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙখিবা অমদা ত্রিপুরাগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রতন লাল নাথনা হায়খি, ষ্টেটকী মফম পুন্নমক্তা প্রাইভেট টুইসন তৌবগী থৌওং মপুং ফানা অথিংবা থল্লগনি। লৈঙাক্কী স্কুলদা থবক তৌবা ওজাশিংনা লন্নাই কোচিং ক্লাস হাংদোকপা অমসুং টুইসন তৌবা য়ারোই হায়রি।

ষ্টেটকী পাউ

মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা সেরিকলচর দিপার্টমেন্ট চাউখৎহনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) :

হন্দক্তা সেরিকলচর মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুহনখ্রবা অৱাংবৌ ন্যুমাইবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ৱাংখেই সঙাইপাৎতা লৈবা এম এস পি এম সীগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

সেরিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা হায়খি, দিপার্টমেন্ট অসি চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা ওফিসল অমসুং ষ্টাফ পুন্নমক্কী মপুং ফাবা কোওপরেসন মথৌ তাই। মুগা পুথোকপদা মালেম শিনবা থুংনা মমিং চৎপা মরম্না সেন্টরগী মতেং য়াওদ্রবসু সেরিকলচর দিপার্টমেন্ট দিপার্টমেন্ট চাউখৎহনবা ঙমগনি।

দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা চহী খূদিংগী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা দিষ্ট্রিক্তকী থাক্তা দিপার্টমেন্ট অসিনা কদায় ফাওবা খুম্মাং চাউশিনবা ঙম্লবগে হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা খঙহনখি। চাং নাইনা থবক কারকপা মষ্টররোলগী ইমপ্লোয়ীশিং চহীগী ওইবা থৌরম অদুদা ইসেন্টিভ পীনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৱার্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকপগী শরুক অমা ওইনা মিনিষ্টরনা সিল্ক রিলিং এন্দ স্পিনিং ফেক্টরি (এস আর এন এস এফ), মলবরি সেক্সন অমদি মলবরি ইনদষ্ট্রিএল গ্রেনেজ (এম আই জি)গী ফীভম য়েংশিনখি।

দিপার্টমেন্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর সী ঐচ হরেন্দ্রকুমারনা 'রোল ওফ সেরিকলচর ইন মণিপুর' হায়বা হীরমদা পাৱর পোইন্টকী খুথাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা মতুং তারকপদা দিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎকদবা অমদি হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা মরিক চুম্না থমখি।

হৌজিক হৌজিক খুঙ্গং ৭৮২গী ইমুং ১৭,৪৮১ সেরিকলচরগী থবক থৌরমশিংদা শীজিন্নরি। হেক্তর ৩২,০০০ পাক চাউবা লমসু শীজিন্নবগা লোয়ননা ইনিদয়াদা মাঙজিল থানা থবক তৌবা ঙম্লি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা রিজনল সেরিকলচর রিছার্স ষ্টেসন, ইম্ফালগী সাইন্টিষ্ট এস কুঞ্জকিশ্বর, দিষ্ট্রিক্ট সেরিকলচর ওফিসরশিং অমদি দিপার্টমেন্ট অসিগী অতৈ ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) :

ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট আই টি আই ইমপ্লোয়ী য়ুনিয়নগী জেনরেল বোদি মীটিং থা অসিগী ৩দা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়না য়ুনিয়ন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি বোলেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

আই টি আই, ইম্ফালগী সুপরভাইজর এল রোমোলানা চেয়র লৌদুনা তাকয়েলদা লৈবা আই টি আইগী কমপ্লেক্সতা মীফম অদু পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা খল্লবশিংদি, প্রসিদেন্টতা লোংজম দিনেশ্বর, ভাইস প্রসিদেন্টতা লৌরেম্বম সুরেশ, জেনরেল সেক্রেটরিদা বোলেন, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এন বিক্রম, ট্রেজররদা এন জি বিজান্দো, পব্লিসিটিদা জামির খান অমদি এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটিদা এল হেমন্তনি হায়রি।

তেজমোহোন লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) :

খা জিরি মমাঙ লৈকায়দা লৈরম্বা কমরেদ সামোম তেজমোহোননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না কোন্থৌজম লোকল কাউন্সীল সী পি আইগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কমরেদ তেজমোহোন মশাগী অনাবা অমদগী খঙহৌদনা থা অসিগী ৪দা লৈখিদবনি। কমরেদ অসিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি। লৈখিদ্রবা তেজমোহোননা হিংলিঙৈ মতমদা লৌমী-শিন্মীগী য়াইফবা পুরক্লবা খোঙজং কয়াদা শরুক য়ারম্মী। মহাক পুকচেল শেংনা পার্টি অসিগী থৌদাং য়ারম্বা মীওইনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

'এম জি এন আর ঈ জি এসকী ইস্যু থিগৎহনসি'

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) :

হায় লেভেল ইনক্বারি কম্মিটি অমা ষ্টেট লেভেলদা শেল্লগা হৌজিক চথরিবা এম জি এন আর ঈ জি এসকী ভেরিফিকেসন ইস্যু ময়াম অসি থিগৎহনবগা লোয়ননা সী এস ওগী মেম্বরশিংসু কম্মিটি শেম্বদা য়াওহনবীয়ু হায়না ইনিদজিনস পিপলস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক) কী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, জোব কার্দকা মরী লৈনবা বেঙ্ক পুন্নমক অসি বেঙ্ককী টিমগা লোয়ননা কম্মিটিনা থিগৎপা, কার্দ হোল্ডরশিংগা মরী লৈনবা একাউন্ট পুন্নমক কে ৱাই সী তৌহনবা চঙই। জোব কার্দকী অনৌবা থবক পায়খৎপদা কন্দিসন খরা চৎনগদবনি। থবক শুগদৌরিবা জোব কার্দকী মশিং অসি থবক মফম অমদা মীওই ১০০ দগী হেলহন্দবা, শুগদৌরিবা থবক অদুগী অকুপ্পা ৱারোল, শেনফমনচিংবা পুন্নমক পাউচেশিংদা ফোঙদোকপা অমদি পঞ্চায়ট ওফিসতা থাগৎহনবা, থবক শুফমদা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা ভিজিট তৌবা চঙই। স্কিম অসিগী থবকশিং মেছিন শীজিন্নরগা শুবা য়াহল্লোইদবনি। কনাগুম্বা মেছিন শীজিন্নবা থোক্লগদি মরী লৈনবা বি দি ও, জি আর এস অমদি থবক অদুগা মরী লৈনরম্বা মীশক অদু লোগী মতেংনা এক্সন লৌগদবনি। এম জি এন আর ঈ জি এসকী চহী-চহীগী পায়খৎকদবা থবকশিং অসিগী ৱার্ক প্লান্নিং তৌবদা লোকল এরিয়াগী ক্লব মেম্বর অমসুং অখঙ-অহৈশিং য়াওহনগদবনি। মণিপুরগী জোব কার্দকী বেঙ্ক একাউন্ট পুন্নমক চীং অমসুং তম অনীমক্কী ওইনা ভেরিফিকেসন তৌদুনা রিপোর্ট অদু মীয়ামদা ফোঙদোক্কদবনি। দিষ্ট্রিক্ট ৱাইজগী ওইনা জোব কার্দকী পেমেন্ট অসি চীং-তম পুন্নমক অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা ওনলাইন পেমেন্ট তৌহন্নবা অমদি লিষ্ট শেমদোক্তুনা মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

'কুমজা ২০০১গী সেন্সস অচুম্বা নত্তে'

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) :

কুমজা ২০০১গী মণিপুর সেন্সস অচুম্বা নত্তে হায়না ওল মণিপুর য়ুথ প্রোটেক্সন কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট শ্যাম খুমননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরগী হৌখ্রবা পুৱারীনা ময়েক শেংনা তাক্লিবদি চীংমী-তম্মী খূদিংমক নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নরক্লি হায়বা অসিনি। মচিন-মনাও ওইনা অৱা-নুংঙাই খূদিংমক তাথোক-তাশিন তৌদুনা চামিন্নরি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তীনখ্রবা মতুংদা য়ুনিটিবু থুগায়রক্লি। মখা তানা থুগায়নবা হোৎনবসু লেপত্রি। আউটরগী ইলেক্সনদা তম্পাক্কী এ সী তরেৎ ভোটিং রাইট ফংলগা কেন্দিদেট ওইবগী রাইটতি পীদ্রি। মসিনা চীংমীগী লম, তম্মীগী লম হায়না লান্না উহন্দুনা অপূনবা মণিপুরগী ৱাখল্লোন্দা তপ্পা তপ্পা থুগায়রক্লি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা খম থেংনা ৱানরবা তাল্লক অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী রিওর্গনাইজগী খুদোংচাবা লৌরগা দিলিমিটেসন প্রোসেস তৌরকপদা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট মরি দিলিমিটেসন তৌদনবা কুমজা ২০১৬তা থমখিবা অথিংবা লৌথোক্তুনা দিলিমিটেসন তৌনবা হোৎনবা অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। দিলিমিটেসন প্রোসেস অসি কুমজা ২০০১ অমদি ২০১১ গী সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইরগা চথবা য়ারোই। সেন্সস অসিদা অরানবা দেটা কয়া য়াওরি।

ক্বারন্টিন সেন্টরশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) :

জিরিবামগী এম এল এ অদবউদ্দিননা লুচিংবা টিম অমনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী ফীভম য়েংশিনখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা জিরিবামগী এম এল এ অসবউদ্দিননা লুচিংদুনা য়েংশিনখিবা অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সী, এস পি, মেদিকেল ওফিসল অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তকী সী এস ও কয়াসু শরুক য়াখি। খোঙচৎ অদুদা ক্বারন্টিন সেন্টর কয়াদা চানবা পোৎলম কয়াসু পীখি। খোঙচৎ অদুগী মমাঙদা এম এল এনা দি সী, দল্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈদা এম্বুলেন্সকী ছো খুৎশিন্নখি। খোঙচৎ অদুদা জিরিবামগী লালপানি হায় স্কুল, জিরি কোলেজ, জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল, জে এম সী, আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়া অমদি হরিনগরদা লৈবা মোদেল স্কুলদা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা অৱাৎ-অপাশিং য়েংখি। মফমশিং অদুদা কাংখল কয়াসু পীরমখি।

এম এল এ অসবউদ্দিননা ফোঙদোকখিবদা, জিরিবাম দি সী অমদি এস পিবু থাগৎলি। জিরিবামদা লৈরিবা সী এস ওশিং য়াওনা চৎমিন্নদুনা কোভিদ-১৯বু থেংননবা হোৎনরি। ফ্রন্ট লাইন ৱারিয়র অমা ওইনা থেংনরিবশিং থাগৎলি। মীয়াম পুন্না হোৎনদুনা কোভিদ-১৯ লাল্থেংমিন্নসি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয় পুন্নমক্কা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি।

লম্বীদা শেল খায়রম্বা আই এমগী মীওই অমা ফারগা অমুক থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস):

নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭কী কৈমাই এরিয়াদা এন এস সী এন (আই এম)গী কাদরনি চিংনবা মীওই অহুম্না লম্বীদা লাকপা গাড়ীশিং খামদুনা শেল খায়রম্বদগী কৈমাইদা লৈবা ৪৪শুবা অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা থেংনদুনা অমা ফারে অনীনা নাম্থোকখ্রে।

থৌদোক অসি থা অসিগী ৫গী নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা থোকখিবনি। প্রেসনা ফংবা পাউ মতুং ইন্না ৪৪শুবা অসাম রাইফলসনা ফারবা এন এস সী এন (আই এম) নি চিংনবা নুপা অদুগী মমিং দিলারুং কামৈ (৩৬) কৌই। মহাক তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা বোমগাইজাং খুলদা লৈবনি।

অসাম রাইফলসনা দিলারুং কামৈ ফাদুনা মখোয়গী পোষ্টতা পুখ্রবা মতুংদা কৈমাই অমদি সিবিলোং এরিয়াগী লোকল মৈরা পায়বী ৩০/৪০ রোম থোরক্লগা নুমীৎ অদুগী নুমিদাং পুং ১০ তাবদগী কৈমাইদা লৈবা এ আরগী পোষ্টতা থোমজিল্লকখি। ফাখিবা মীওই অদু মীচমনি হায়না চার্জ তৌরকপগী লোয়ননা ঈরাং শাগৎলকপদগী অসাম রাইফলসনা ফাজিল্লুবা নুপা অদু জুন ৬কী অয়ুক পুং ৩ রোম তাবদা থাদোকখিবদগী ঈরাং অদু নেমখি হায়রি।

কানি কেজি ২.৫গা কোন্ননা নুপা অমা ফারে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস):

থৌবাল কম্মান্দো অমদি থৌবালগী এদিসনেল এস পি (ওপস) সচিদানন্দা সোইবম্না লুচিংবা কাঙবুনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৫০ রোম তাবদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক কানি কেজি ২ মখায়গা কোন্ননা নুপা অমা কোল্লচিং মনাক্কী ৱেটিং শেদতগী ফারে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল কম্মান্দো কাঙবুনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক কানিগা কোন্ননা ফারবা মীওই অদুগী মমিং গ্রেসসন তাঞ্জুল (৪১) অপোকপা লৈখিদ্রবা হোনসন তাঞ্জুল কৌই। মহাক কামজোং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা অশাং খুল্লেনদা লৈবনি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কা কোন্ননা ফারবা নুপা অদু মখা তাবা থবক লৌখৎনবা নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী মফম খরা সীল তৌশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস):

ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈবা মীওই খরা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনবদগী চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম খরা সীল তৌশিনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ভেলেন্টিনা অরাম্বনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না সীল তৌশিনখ্রবা মফমশিং অদুদি সোরা চীং ৱাংমদা লৈবা মল্টিপর্পজ ইংলিস স্কুল, হঙ্গুলদা লৈবা মর্সিফুল ইংলিস স্কুল, ককচিংদা লৈবা গুদ শেফর্দ স্কুল অমসুং ককচিং ৱাইরিদা লৈবা আই টি আইগী অকোয়বা মফমশিংনি। সীল তৌশিনবগা লোয়ননা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা চঙথোক-চঙশিন তৌবা য়াহনখিদ্রে।

মফম অদুগী অকোয়বদা লৈবা স্কুল অমদি ওফিস পুন্নমক থোঙ লোলহনখিবগা লোয়ননা মখল অমত্তগীমী তিনবা থৌরম পাঙথোকপা য়াহনখিদ্রে। গাড়ি চেনবসু অথিংবা থল্লে হায়রি।

পি দি এসকী চেঙ লেপ্তুনা চিংথোক্লরি

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লোকদাউন থম্লবসু মীয়ামদা পি দি এসগী পোৎলম, মরু ওইনা চেঙ মরাং কায়না ফংহন্নবগী পান্দমদা ষ্টেট লৈঙাক্না মীয়ামদা য়েংথোক্কদবা জুন থাগী চেঙ চিংথোকপা হোৎনরি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা ঙসি এন এফ এস এগী চেঙ ক্বিন্টল ৩২৬৮ চিংথোকখি। থাংমৈবন্দ এ সীগী চেঙ ক্বিন্টল ১৮১৫.৯ অমসুং শীংজমৈ এ সীগী ক্বিন্টল ১৪৫২.১ চিংথোকখি। হৌজিক ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা লমশাং, লংথবাল অমসুং থাংমৈবন্দ অমসুং শীংজমৈগী জুন থাগী চেঙ চিংথোকপা লোইখ্রে।

টমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা টামৈ সবদিভিজনগী ওইনা সঙাইপ্রৌদা লৈবা এফ সী এস গোদাউনদগী চেঙ ক্বিন্টল ১২৬৮.৪০ চিংথোকখি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তসু ৱাংখেম এ সীগী চেঙ ক্বিন্টল ১০৪৩.২০ চিংথোকখ্রবনি।

লোকদাউন মনুংদা মীয়ামগী তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী শরুক অমা ওইনা পি দি এসকী চেঙ চিংথোকপনি হায়রি।

CROSSWORD-3468



ACROSS

- 1 Cricketer's 'bible' (6)
- 4 Hunting expedition (6)
- 8 Reddening cosmetic (5)
- 9 Formal speech or lecture (7)
- 10 Natural environment (7)
- 11 Not loud (5)
- 12 Basics (9)
- 17 Insurgent (5)
- 19 Acrobat (7)
- 21 Noughts (anag.) (7)
- 22 First sign of the zodiac (5)
- 23 Reduce in rank (6)
- 24 Sunglasses, colloquially (6)

DOWN

- 1 Meriting respect or esteem (6)
- 2 Sleep (7)
- 3 Vote into office (5)
- 5 Midriff (7)
- 6 Proficient (5)
- 7 Interior (6)
- 9 Robot (9)
- 13 Delectation (7)
- 14 Defiled (7)
- 15 Rubbed out (6)
- 16 Critical situation (6)
- 18 Flower (5)
- 20 Irish county (5)

Solution 3467

F	A	S	T		I	M	P	L	O	R	E	D
A		O		S		O		O		I		O
D	E	L	E	T	E	D		S	U	P	E	R
E		I		A		I		E		P		M
A	D	D	E	R		S	H	R	I	L	L	
W				V		H				E		B
A	N	S	W	E	R		K	A	I	S	E	R
Y		C				N		D				O
	W	H	O	L	L	Y		R	A	B	A	T
C		O		A		L		I		A		H
A	D	L	I	B		O	F	F	E	N	C	E
S		A		E		N		T		N		R
H	A	R	M	L	E	S	S		I	S	I	S

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3267

4				2				
		6	8					5
						4	1	7
	3		7		6		9	
				3				
	7		1		4		6	
3	6	5						
1					9	6		
				5				3

Solution-3266

5	8	1	3	4	2	9	6	7
2	3	6	8	7	9	5	1	4
7	9	4	6	5	1	2	8	3
3	2	8	5	6	4	7	9	1
9	1	5	7	2	8	3	4	6
4	6	7	9	1	3	8	2	5
8	5	9	1	3	6	4	7	2
1	4	3	2	8	7	6	5	9
6	7	2	4	9	5	1	3	8

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers



অসিজোলনেং

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম


নুপী নঙ নহানখে কদায়দা লৈরুবনো।
অসিজোলনেংনা ৱারী পুন্নমক লিরম্মী।
ইয়া হিংচাবী নঙ ঙসি খঙগনিদো।